# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, MONDAY, NOVEMBER 11, 2019 PAGE 7




চথরিবা ইন্দিয়ান সুপর লীগকী ওক্টোবর থাগী প্লেয়র ওফ দি মন্থকী এৱার্দ ফংখ্রবা এটলেটিকো দি কোলকটাগী শান্নরোই দেবিদ ৱিলিয়মস



২০২০ দা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ু-১৭ ৱুমেন'স ফিফা ৱার্ল্ড কপ্তা শরুক য়াগদবা লৈবাক অসিগী টিমগী কোচ ওইখ্রবা স্বিদেনগী থোমাস দেনরবি

## আই এস এলদা বেঙ্গালুরু এফসিনা চেন্নাইন এফ সিবু গোল ৩-০ দা মায়থিবা পীখ্রে



*বেঙ্গালুরু, নবেম্বর ১০ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী ওইবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অহানবা থাক্তা লৈরিবা ইন্দিয়ান সুপর লীগ (আই এস এল) গী ঙসি শান্নখিবা ৪শুবা লীগ মেটচতা বেঙ্গালুরু এফ সিনা চেন্নাইন এফ সিবু গোল ৩-০ দা মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট ৩ ফংখ্রে।

বেঙ্গালুরুদা লৈবা শ্রী কান্তি রাবা ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মরিশুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অসি হেক হৌবদগী য়ুম্বু টিম ওইখিবা বেঙ্গালুরু এফ সিগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চখরক্তুনা চেন্নাইন এফ সি গী শান্নরোইশিংদা অকনবা প্রেসর পীশিন্দুনা লাকখি।

মেটচকী ১৪শুবা মিনটতা বেঙ্গালুরু এফ সিগী শান্নরোইশিংনা চখরকখিবা এটেক অমদা ইরিক পারটালুনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মখা তানা শান্নরকপদসু গোল মাঙজিল থারিবা বেঙ্গালুরু এফ সিনা এটেক হেন্না অদুমক চখদুনা লাকখি। চেন্নাইন এফ সিগী শান্নরোইশিংনা গোল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ মেটচকী ২৫শুবা মিনটতা বেঙ্গালুরু এফ সিগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা টিম অসিগী কেপ্টেন সুনিল ছেত্রিনা গোল অমগা হাপচিন্দুনা ২-০ দা হেন্দুনা লৈখি।

চেন্নাইন এফ সিগী শান্নরোইশিংনা গোল হন্দোক্লবা খুদোংচাবা খরা ফংখ্রবসু বেঙ্গালুরু এফসিগী শান্নরোইশিংনা নীংথিনা মায়োক্লবা ঙমদুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবদা বেঙ্গালুরু এফ সিনা চেন্নাইন এফ সিদগী গোল ২-০ দা হেন্দুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকখি। মতম কুইনা এটেক কয়া চখনদুনা লাকখ্রবসু টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল হাপচিনবা ঙম্নদনা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নবগী মতম য়ামশিল্লক্ত্রবা মেটচকী ৮৪শুবা মিনটতা বেঙ্গালুরু এফসিগী শান্নরোইশিংনা চখরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই শেম্বী হাওকিপনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ৩-০ দা হেন্দুনা লৈখ্রবা মতুং মেটচকী লেমহৌবা মতম খরা অসিদা অহেনবা গোল চন্নখিদবদগী মেটচ অসি বেঙ্গালুরু এফ সিনা ৩-০ দা মায় পাকখি।

## আইস্বারি সিংহ টোমর ওলেম্পিক কোটা ফংখ্রে

*দোহা, নবেম্বর ১০ (এজেন্সি)ঃ*

কাটারগী কোনুং দোহাদা চখরিবা ১৪শুবা এসিয়ান সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপকী নুপাগী মিটর ৫০গী রাইফল থ্রি-পোজিসনদা ব্রোঞ্জ মেডল ফংদুনা কুমজা ২০২০ দা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলেম্পিক গেমসকী সুট্টিং দিসিপ্লিনদা ক্লালিফাই ওইখ্রে।

এসিয়ান সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী মিটর ৫০গী রাইফল থ্রি-পোজিসনগী সুট্টর ৮ না লম্বা তৌনখিবা ফাইনেল রাউন্দদা ইন্দিয়াগী সুট্টর আইস্বারি সিংহ টোমরনা পোইন্ট ৪৪৯.১ স্কোর তৌদুনা ব্রোঞ্জ মেডল ফংবা ঙমদুনা ওলেম্পিক কোটা ফংবা ঙমখিবনি।

মশাগী চহী ১৮শুরবা ইন্দিয়াগী নুপা সুট্টর আইস্বারি সিংহ টোমর নুপাগী মিটর ৫০গী রাইফল থ্রি-পোজিসনগী ক্লালিফিকেসন রাউন্দদা পোইন্ট ১১৬৮ ফংদুনা ফাইনেল রাউন্দ চঙলকখিবনি।

নুপাগী মিটর ৫০গী রাইফল থ্রি-পোজিসন অসিদা কোরিয়াগী সুট্টর কিম জোংহিয়ুননা পোইন্ট ৪৫৯.৯ ফংলগা গোল্ড মেডল লৌখি অদুগা চাইনাগী সুট্টর ঝোং হাও ঝাওনা পোইন্ট ৪৫৯.১ দা সিলভর মেডল ফংখি।

ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা সুট্টর চেন সিংহনা ১৭শুবা অদুগা পারুল কুমারনা ২০শুবা পোজিসন তাহৌখি।

## জপানগী মোমোটা অমদি চাইনাগী য়ুফেনা ফুঝৌ চাইনা ওপনগী নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলস টাইটলশিং লৌখ্রে





*সাংহাই, নবেম্বর ১০ (এজেন্সি)ঃ*

চাইনাগী সিটি ফুঝৌদা থা অসিগী ৫ দগী চখরকপা ফুঝৌ চাইনা ওপন বেদমিন্টনগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচশিং মায় পাক্তুনা জপানগী কেন্টো মোমোটা অমদি চাইনাগী চেন য়ুফেনা নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলস টাইটলশিং লৌখ্রে।

চাইনা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচতা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান জপানগী কেন্টো মোমোটানা ২শুবা সিদেদ চাইনিজ তাইপৈগী চৌ টিয়েন চেনবু গেম ২-১ দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল দিফেন্দ তৌবা ঙমখি।

নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা গেম জপানগী কেন্টো মোমোটানা চাইনিজ তাইপৈগী চৌ টিয়েন চেনবু ২১-১৫ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা গেমদা চাইনিজ তাইপৈগী শান্নরোই চৌ টিয়েন চেননা য়াম্না ফজনা শান্নরক্তুনা ২১-১৭ দা থোইদুনা শান্নরোই অনীমক গেম অমমম মান্নরকখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং গেম শান্নরকপদা শান্নরোই অনীমক টাইটল লৌনবা হোৎনরকপদা য়াম্না লম্বা মান্ননা লৈরকখি। পোইন্ট মান্ন-মান্ননা চৎলম্লবা মতুং লোইশিল্লকপদা এক্সপরিয়েন্স হেল্লবা জপানগী কেন্টো মোমোটানা চাইনিজ তাইপৈগী চৌ টিয়েন চেনবু ২১-১৮ দা থোইবা ঙমদুনা মেটচ অসি গেম ২-১ দা মায় পাক্তুনা কাঙলূপ অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

ফুঝৌ চাইনা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচতা ৩শুবা সিদেদ চাইনাগী চেন য়ুফেনা ৪শুবা সিদেদ জপানগী নোজোমী ওকুহারাবু গেম ২-১ দা থোইদুনা কাঙলূপ অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা গেমদা জপানগী নোজোমী ওকুহারানা চাইনাগী চেন য়ুফেবু য়াম্না লায়না ২১-৯ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা গেমদগী হৌরগা চাইনাগী চেন য়ুফেনা য়াম্না ফজনা শান্নরক্তুনা গেম অসি ২১-১২ দা থোইদুনা গেম অমমম মান্নদুনা লৈখ্রবা মতুং অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং গেম শান্নরকপদা চাইনাগী চেন য়ুফেনা ফজবা হেনখিবগী ২১-১৮ দা থোইবা ঙমদুনা নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল অসি মহাক্না লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী ফাইনেল মেটচতা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ইন্দোনেসিয়াগী মার্কস ফর্নাল্ডি গিদিওন অমদি কেভিন সঞ্জয়া সুকামুলজোনা ৪শুবা সিদেদ জপানগী পেয়র টাকেসি কামুরা অমদি কৈগো সোনোদাবু ষ্ট্রেট গেম অনী ২১-১৭, ২১-৯ দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

ফুঝৌ চাইনা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী দবলসকী ফাইনেল মেটচতা ২শুবা সিদেদ জপানগী পেয়র য়ুকী ফুকুসিমা অমদি সায়াকা হিরোতানা ৫শুবা সিদেদ সাউথ কোরিয়াগী পেয়র লি সো হি অমসুং সিন সিয়ুং চানবু ষ্ট্রেট গেম অনী ২১-১৭, ২১-১৫ দা মায়থিবা পীরম্লগা কাঙলূপ অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মিক্স দবলসকী ফাইনেল মেটচতা চাইনাগী পেয়র অনী লম্বা তৌনখি। ফাইনেল মেটচ অসিদা অনীশুবা সিদেদ পেয়র ৱাং য়িলু অমদি হুৱাং দোংপিংনা নম্বর ৱান সিদেদ ঝেং সিৱৈ অমদি হুৱাং য়াকিওংবু ২১-১৪, ২১-১৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা টাইটল লৌবা ঙমখি।

## সৌরভ অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে

*দোহা, নবেম্বর ১০ (এজেন্সি)ঃ*

কাটারগী সিটি দোহাদা প্রোফেসনেল স্কৱাস এসোসিয়েসন (পি এস এ) মীৎয়েং মখাদা চখরিবা ৱার্ল্ড মেন'স স্কৱাস চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী শান্নরোই সৌরভ ঘোসাল মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে।

ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ৱার্ল্ড নম্বর ১১ দা লৈরিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোই সৌরভ ঘোসালনা লৈবাক অসিগী অতোপ্পা শান্নরোই মহেস মাঙ্গাওকরবু ষ্ট্রেট গেমদা মায়থিবা পীরমখি।

অহানবা অমসুং অনীশুবা গেমদা সৌরভ ঘোসালনা টিমমেট মহেস মাঙ্গাওকরবু য়াম্না লায়না ১১-৭, ১১-৭ দা থোইদুনা গেম অনী মাঙজিল থাখি। অহুমশুবা গেমদা শান্নরোই অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকখ্রবসু এক্সপরিয়েন্স হেল্লবা সৌরভ ঘোসালনা মহেস মাঙ্গাওকরবু ১৮-১৬ দা থোইদুনা মেটচ অসি মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই রমিত তন্দন অমসুং ভিক্রম মলহোত্রা অহানবা রাউন্দদা মায়থিহৌরে। রমিত তন্দন অহানবা রাউন্দদা স্পেনগী বোরজা গোলানগী মখূত্তা ৯-১১, ৬-১১, ৩-১১ দা মায়থিহৌখি। অদুগা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই ভিক্রম ইংলেন্দগী দেক্লান জেমসকী মখূত্তা ১১-৮, ১১-১, ৫-১১, ৩-১১, ৬-১১ দা মায়থিহৌখি।

## ফ্রান্সনা ওষ্ট্রেলিয়াবু ৩-২ দা থোইদুনা চহী ১৬ কী মতুংদা ফেদ কপকী টাইটল লৌখ্রে





*পর্থ, নবেম্বর ১০ (এজেন্সি)ঃ*

ফেদ কপ ৱার্ল্ড গ্রুপকী ফ্রান্স অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ানা শান্নখিবা ৱার্ল্ড গ্রুপ্তা ফ্রান্সকী টিম্না ওষ্ট্রেলিয়াগী টিম্বু মেটচ ৩-২ দা থোইদুনা চহী ১৬ কী মতুংদা অহানবা ওইনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

ফেদ কপ ৱার্ল্ড গ্রুপ অসিগী ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অনীদা লৈবাক অনীমক মেটচ অমমম মায় পাক্লদুনা লাকখিবনি। অহানবা মেটচ ওইখিবা নুপীগী সিঙ্গলসতা ফ্রান্সকী কৃষ্টিনা লাদেনোভিসনা ওষ্ট্রেলিয়াগী এজলা টোমলজানোভিসপু ৬-১, ৬-১ দা থোইদুনা মেটচ অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা মেটচসু নুপীগী সিঙ্গলসকী লম্বা ওইখি। মেটচ অসিদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবী ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই এসলি বার্টিনা ফ্রান্সকী শান্নরোই কেরোলিন গার্সিয়াবু য়াম্না লায়না ষ্ট্রেট সেট অনী ৬-০, ৬-০ দা থোইদুনা লৈবাক অনীমক মেটচ অমমমদা মান্নখি।

ফেদ কপ ৱার্ল্ড গ্রুপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা নুপীগী সিঙ্গলসতা ফ্রান্সকী কৃষ্টিনা লাদেনোভিসনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওষ্ট্রেলিয়াগী বার্টিবু ২-৬, ৬-৪, ৭-৬(৭-১) দা থোইদুনা মেটচ ২-১ দা হেন্দুনা লৈখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচ ওইখিবা সিঙ্গলসতা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই এজলা টোমলজানোভিসনা ফ্রান্সকী শান্নরোই পাওলিন পরমেন্টিয়রবু ষ্ট্রেট সেট ৬-৪, ৭-৫ দা থোইদুনা মেটচ ২-২ দা মান্নখি।

ফেদ কপ ৱার্ল্ড গ্রুপ অসিগী দিসাইদিং মেটচ ওইখিবা নুপীগী দবলসকী টাইদা ফ্রান্সকী পেয়র কেরোলিনা গার্সিয়া অমসুং কৃষ্টিনা লাদেনোভিসনা ওষ্ট্রেলিয়াগী পেয়র এসলি বার্টি অমসুং সমান্থা ষ্টোসুরবু ৬-৪, ৬-৩ দা থোইবা ঙমদুনা মেটচ অসি মায় পাক্তুনা চহী ১৬ কী মতুংদা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা ওইনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

## ইন্দিয়াগী য়ু-১৯ ফুটবোল টিম আফঘনিষ্টানগী মখূত্তা মায়থিখ্রে

*অল খোবর, নবেম্বর ১০ (এজেন্সি)ঃ*

সাউদি অরাবিয়াগী সিটি খোবারদা শান্নখিবা এ এফ সি য়ু-১৯ ক্লালিফায়িং টুর্নামেন্টকী গ্রুপ 'এফ' কী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচতা ইন্দিয়াগী য়ু-১৯ নুপা ফুটবোল টিম আফঘনিষ্টানগী মখূত্তা ০-৩ দা মায়থিহৌদুনা গ্রুপকী মমৈ তাদুনা লৈহৌরে।

মেটচকী অনীশুবা মিনটতা আফঘনিষ্টানগী কেপ্টেন অহমদ রামাকীনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা য়াম্না ঙন্না মাঙজিল থাবা ঙমখি। মিনট অনী লৈরগা আফঘনিষ্টানগী শান্নরোইশিংগী মখা তাবা এটেক অমদা অহমদ নোসাদনা বোক্সকী মপান্দগী কাওশিল্লকখিবা সোট অমা গোল ওইদুনা ২-০ দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

মেটচকী ২২শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই ভিক্রম প্রতাপনা কাওশিনখিবা সোট অমা মায়োক্লবা টিমগী গোলকিপর হাদি জাদানা বার মথক্তা ইনখৎখিবদগী গোল ওইরম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা মাঙজখি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা শোৎখিবা গোলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ মেটচকী ২৯শুবা মিনটতা আফঘনিষ্টানগী শান্নরোই খাটাম দেলনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ৩-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

মেটচকী ৩৭শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই রবি রানানা কাওশিনখিবা সোট অমা আফঘনিষ্টানগী গোলকিপর হাদি জাদানা ফাখি। অহানবা হাল্ফকী শান্নবা লোইশিনখিবদা ইন্দিয়া ০-৩ দা শোৎখদুনা লৈখি।

মেটচকী ৫১শুবা মিনটতা গুরকিরাট সিংহনা কাওশিনখিবা সোট অমা ক্রোস বারদা পান্দুনা গোল ওইহৌখিদে। মেটচকী অপীবা মতম লোইগদবা মিনট ৭ ৱাৎলিঙৈদা ইন্দিয়ানা ফংখিবা ফ্রি কিক অমা টিম অসিগী শান্নরোই গিবসন সিংহনা কাওশিনবদা ক্রোস বারদা পান্দুনা গোল ওইহৌদবদগী মেটচ অসি ইন্দিয়া আফঘনিষ্টানগী মখূত্তা গোল ০-৩ দা মায়থিহৌদুনা টুর্নামেন্ট অসিদগী মপান থোকখি।

## দেনরবিনা ইন্দিয়াগী য়ু-১৭ ৱুমেন ৱার্ল্ড কপ টিমগী কোচ ওইখ্রে

*ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১০ (এজেন্সি)ঃ*

স্বিদেন মচা থোমাস দেনরবিনা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱুমেন'স য়ু-১৭ ফিফা ৱার্ল্ড কপ্তা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিমগী হেদ কোচ ওইরগনি।

মশাগী চহী ৬০ শুরবা স্বিদেন মচা থোমাস দেনরবি য়ু ই এফ এ প্রো দিপ্লোমা হোল্ডরনি। মহাক কোচিংগী লমদা চহী ৩০ হেন্না এক্সপরিয়েন্স লৈরবা মীওইনি। মহাক্কী লুচিং মখাদা স্বিদেনগী ৱুমেন'স নেসনেল টিম কুমজা ২০১১ দা পাঙথোকখিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ্তা অহুমশুবা পোজিসন তাবা ঙমখি। লোয়ননা কুমজা ২০১২ লন্দন ওলেম্পিক গেমসতা ক্বার্টর ফাইনেল ফাওবা পুশিনবা ঙমখিবনি।

দেনরবিনা নাইজেরিয়াগী নুপী ফুটবোল টিমগী কোচ ওইদুনা কুমজা ২০১৮ গী এ দব্লিয়ু সি ও এনগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমদুনা ২০১৮ কোচ ওফ দি ইয়র ইন নাইজেরিয়াগী এৱার্দ ফংবা ঙমখি।

মহাক্না কোচ ওইরকপদা এ অ আই এফ এফকী প্রসিদেন্ট প্রফুল পটেলনা ফোঙদোকখিবদা মহাক অসি কোচ ওইবগী চপ চাবা মীশক্নি।

## বার্সেলোনা অমসুং রিয়েল মাদ্রিদ মায় পাকখ্রে

*বার্সেলোনা, নবেম্বর ১০ (এজেন্সি)ঃ*

স্পেনগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট লা লীগাগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচশিংদা বার্সেলোনা অমসুং রিয়েল মাদ্রিদ মায় পাকখ্রে।

বার্সেলোনানা ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা সেল্টা ভিগোবু গোল ৪-১ দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসিদা বার্সেলোনাদা শরুক য়ারিবা আর্জেন্টিনা মচা লিওনেল মেসিনা হেটট্রিক গোল চনবা ঙমখি।

মেটচকী ২৩শুবা মিনটতা বার্সেলোনানা ফংখিবা পেনাল্টিদা লিওনেল মেসিনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি। মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৪২শুবা মিনটতা সেল্টা ভিগোগী শান্নরোই লুকাস ওলাজানা গোল অমা চন্দুনা ১-১ দা মান্নরগা লৈখি।

অহানবা হাল্ফকী অরোইবা মিনটতা বার্সেলোনাগী শান্নরোই লিওনেল মেসিনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২-১ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৪৮শুবা মিনটতা বার্সেলোনাগী মায়কৈদগী গোল অনী চনখ্রবা লিওনেল মেসিনা গোল অমগা চনশিন্দুনা মহাক্কী হেটট্রিক গোল ওইদুনা ৩-১ দা হেন্দুনা লৈখি। মেটচকী অপীবা মতম য়ামশিল্লক্ত্রবা মতম ৮৫শুবা মিনটতা বার্সেলোনাগী শান্নরোই সর্জিও বুসক্বেষ্টনা গোল অমগা হাপচিন্দুনা মেটচ অসি ৪-২ দা মায় পাকখি।

লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা রিয়েল মাদ্রিদনা ঐবারবু গোল ৪-০ দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসি হেক হৌবদগী রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চখদুনা লাকখি।

১৭শুবা মিনটতা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোই করিব বেঞ্জেমানা মেটচকী অহানবা গোল চনখি। ২০শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমগী মতেংনা টিমমেট সর্জিও রামোসনা গোল অমগা হাপচিনখি। ২৯শুবা মিনটতা টিম অসিনা ফংখিবা অনীশুবা পেনাল্টিদা করিম বেঞ্জেমানা গোল অমগা চন্দুনা ৩-০ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি। মেটচকী ৬১শুবা মিনটতা রিয়েল মাদ্রিদকী অতোপ্পা শান্নরোই ফেদেরিকো ভালভরদেনা গোল অমগা চল্লগা ৪-০ দা ঐবারবু মায়থিবা পীরমখি।

### ক্রোসৱার্দ ৩৩৪ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| E | L | L | A | ■ | H | E | L | P | ■ | M | O | R | A | L |
| C | O | A | T | ■ | A | S | I | A | ■ | E | V | O | K | E |
| R | O | C | H | E | S | T | E | R | ■ | D | E | L | I | S |
| U | N | E | A | R | N | E | D | ■ | S | I | R | E | N | S |
| ■ | ■ | ■ | N | O | T | E | ■ | P | E | A | R | ■ | ■ | ■ |
| S | H | E | D | S | ■ | M | A | R | T | ■ | I | L | L | S |
| T | O | M | ■ | ■ | ■ | ■ | L | O | U | ■ | D | E | E | P |
| A | R | C | S | ■ | T | R | A | M | P | ■ | E | A | V | E |
| I | D | E | A | ■ | E | E | R | ■ | ■ | ■ | ■ | S | E | E |
| D | E | E | R | ■ | L | A | M | A | ■ | A | C | H | E | D |
| ■ | ■ | ■ | D | E | L | L | ■ | G | O | S | H | ■ | ■ | ■ |
| A | C | T | O | R | S | ■ | R | E | P | E | A | L | E | D |
| C | L | O | N | E | ■ | T | A | N | T | A | L | I | Z | E |
| M | A | G | I | C | ■ | A | I | D | E | ■ | E | A | R | P |
| E | N | A | C | T | ■ | G | L | A | D | ■ | T | R | A | P |


GOVERNMENT OF MANIPUR
DEPARTMENT OF AGRICULTURE, MANIPUR

NOTICE
Imphal the 8th Nov, 2019.

No. AGM -111/77-PLG/NFSM/2012. In continuation of this office Notice No. 111/77-PLG/NFSM/2012 dated 19th October 2019, the last date of Submission of applications for availing assistance for procurement of various Seed items, agriculture inputs and agriculture implements under National Food Security Mission (NFSM) for the year 2019-20 **is extended up-to 15th Nov, 2019.** Components covered under the scheme as well as the amount of permissible assistance for DBT is as below:

| Sl.No. | Crop/Agricultural inputs | Approved rate of Assistance (Rs./kg) | Supported Norms |
|---|---|---|---|
| 1 | Hybrid Rice Seed | Rs.100.00 or 50% of cost whichever is less | NFSM |
| 2 | HYV Rice Seed | Rs.10.00 for varieties older than 10years of age or 50% of cost whichever is less. | NFSM |
| | | Rs.20.00 for varieties less than 10 years of age or 50% of cost whichever is less. | NFSM |
| 3 | Pulses (Arhar, Black gram, Pea, Lentil, Moong etc.) | Rs.25.00 for varieties older than 10 years of age or 50% of cost whichever is less. | NFSM |
| | | Rs.50.00 for varieties less than 10 years of age or 50% of cost whichever is less. | NFSM |
| 4 | Coarse Cereals - Hybrid Maize | Rs.15.00 for varieties older than 10 years of age or 50% of cost whichever is less. | NFSM |
| | | Rs.30.00 for varieties less than 10 years of age or 50% of cost whichever is less. | NFSM |
| 5 | Nutri Cereals (Millets) | Rs.15.00 for varieties older than 10 years of age or 50% of cost whichever is less. | NFSM |
| | | Rs.30.00 for varieties less than 10 years of age or 50% of cost whichever is less. | NFSM |
| 6 | Oilseeds -(Groundnut, Soybean, Mustard/rape seed, Sesamum etc.) | Rs. 40.00 or 50% of cost whichever is less. | NFSM |
| 7 | Plant Protection Chemicals/Weedicides | Rs.500.00 per ha. or 50% of cost whichever is less. | NFSM |
| 8 | Bio- Fertilizer | Rs.300.00 per ha. or 50% of cost whichever is less. | NFSM |
| 9 | Gypsum | Rs.750.00 per ha. or 50% of cost whichever is less. | NFSM |
| 10 | Micro nutrients | Rs.500.00 per ha. or 50% of cost whichever is less. | NFSM |
| 11 | Lime | Rs.1000.00 per ha. or 50% of cost whichever is less. | |
| 12 | Water carrying pipes | 50% of cost limited to Rs. 50/- per meter for HDPE pipes. Rs.35/- per meter for PVC pipes and Rs. 20/- per meter for HDPE laminated woven lay flat tubes with maximum ceiling of Rs. 15,000/- per farmer/beneficiary. | NFSM |
| 13 | Knapsack Sprayers. | Rs.750.00 per sprayer or 50% of cost. | NFSM |

Sd/-
(Laltanpuii Vanchhong)
Director of Agriculture, Manipur.

SL/5492/10&11